# ফাইনেল সেমিষ্টর ইগজাম কেন্সেল তৌবা পাল্লি

ন্যু দেল্লী, মে ৩০ (এজেন্সী):
কোরোনা ভাইরস লাইচৎনা মরম ওইদুনা দেল্লী য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ৫০রোম শিখিবনা মরম ওইদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী জুন ৭তা হৌনবা লেপখ্রবা ফাইনেল সেমিষ্টর ইগজামশিং কেন্সেল তৌবীনবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা এদমিনিষ্ট্রেসন্দা আপীল তৌখ্রে।

দেল্লী য়ুনিভর্সিটিনা মে ২০দা অনীরকশুবা ওইনা ফাইনেল-ইয়র অন্দরগ্রেজুএট অমসুং পোষ্ট গ্রেজুএট মহৈরোয়শিংগী সেমিষ্টর ইগজামশিং য়ৈথোকপগা লোয়ননা ইগজামশিং অসি জুন ৭তা হৌরগনি হায়নসু লাউথোকখিবনি।

হৌজিক ওনলাইনদা পাঙথোক্লিবা থৌরাং তৌরিবা ইগজামশিং অসি মমাঙদা মে ১৫দগী হৌনবা লেপ্পুরবা মতুংদা কোভিদ কেসশিং খংহেন হেনগৎলকপদগী জুন ১দা য়ৈথোকখিবনি। য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা ফাইনেল সেমিষ্টর ইগজামশিং কেন্সেল তৌবগী মতাংদা মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা আপীল তৌরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। মমাঙদা মখোয়না মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেশসন অমসুং দি য়ু এদমিনিষ্ট্রেসন্দা ফাইনেল ইয়র ইগজামশিং য়ৈথোক্লবা হায়জখ্রবনি।

# প্রাইভেট হোটেলশিংদা ভেক্সিন কাপ্পা লেপহন্নবা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ৩০ (এজেন্সী):
প্রাইভেট হোস্পিটাল খরনা লকজরি হোটেল খরগা খূৎশম্নরগা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী পেকেজ পীবগী থৌওংগী মতাংদা সেন্টরনা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদা গাইদলাইন থুগায়বা থিংনবা অমসুং অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুটশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।




ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ইবা লেট্টর অমদা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা হায়, ষ্টার হোটেলশিংদা ভেক্সিনেসন চথরিবসি গভর্ণমেন্টকী গাইদলাইনশিংগা তায়ওন্নে, অদুনা মসি খূদক্তা লেপহনগদবনি।

অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুসনশিংগী মায়োক্তা মথৌ তাবা লিগেল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিভ এক্সনশিং লৌখৎকদবনি। মরম অদুনা, নেসনল কোভিদ ভেক্সিনেসন ড্রাইভ অসি প্রিস্ক্রাইভ তৌবা গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না পাঙথোক্লবা ড্রাইভ অসিবু মোনিটর তৌনবা খঙহঞ্জরি। মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ভেক্সিনেসনগী এক্সরসাইজ অসি পাঙথোকপদা গাইদলাইনশিং নীংথিনা ঙাকহন্নবা দিরেক্সন পীরি হায়না লেট্টর অদুদা পনখি।

গাইদলাইনশিংদুগী মখাদা ভেক্সিনেসন অসি গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট কোভিদ ভেক্সিনেসন সেন্টরশিং, থবক মফমশিং, গ্রুপ হাউজিং সোসাইটিশিং, আর দব্লিয়ু এ ওফিসশিং, কম্যুনিটি সেন্টরশিং, পঞ্চায়ত ভৱনশিং, স্কুল অমসুং কোলেজশিং, ওল্ড এজ হোমনচিংবদা পাঙথোকপা য়াই।

লকজরি হোটেলশিংনা প্রাইভেট হোস্পিটাল খরগা খূৎশম্নরগা পীরিবা কোভিদ ভেক্সিনেসন পেকেজদা হোটেলদা নুংঙাইনা পোথাহনবা নৎত্রগা লৈহনবা, হকচাং ফগদবা ব্রেকফাষ্ট, দিন্নর অমসুং ৱাইফাইগা লোয়ননা মমিং চৎপা হোস্পিটাল অমগী এক্সপর্টশিংনা ভেক্সিন কাপ্পা অমদি হায়জবগী মতুং ইন্না ক্লিনিকেল কন্সলটেসন খুদোংচাবা য়াওরি। অসিগুম্বা ভেক্সিনেসন পেকেজ অসি সোসল মিদিয়াদা ক্রিটিসাইজ তৌনরকখি।

লৈবাক অসিদা থেংনরিবা ভেক্সিন ৱাৎপগী ৱাফম হৌদোকপগা লোয়ননা থাংজ নুমিত্তা দেল্লীগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিশ সিসোদিয়ানা সেন্টরনা ষ্টেটশিংদা ভেক্সিন ষ্টোক মতিক চানা ফংহনবদি ঙমদনা করম্বা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা ভেক্সিন দোজশিং ফংলিবনো হায়খি। সিসোদিয়ানা মখা তানা হায়, ভেক্সিন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পগী প্রোগ্রাম লেপখি।

ইন্দিয়াদা চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৬তগী মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ভেক্সিনেসন ড্রাইভ হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ক্রোর ২১ হেন্না ভেক্সিন কাপ্লে। গভর্ণমেন্টনা চহী অসিগী দিসেম্বর লোইবা ফাওবগী মনুংদা লৈবাক পূম্বা ভেক্সিন কাপ্পগী পান্দম থল্লি।

# ইন্দিয়াদা ইমুং ১০গী মনুংদা ১ এক্টিভ কোভিদ-১৯ কেস লৈ: ষ্টদি

ন্যু দেল্লী, মে ৩০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াদা হৌজিক ইমুং ১০ খূদিংগী ইমুং অমদা এক্টিভ কোভিদ-১৯ কেস অমা লৈরে অমসুং লৈবাক অসিগী ইমুং মঙা খূদিং ইমুং অমনা লৈমিন্নবা নৎত্রগা অনকপা মরী-মতাশিংগী মরক্তা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈতবা থেংনরি হায়না সর্ভে অমনা হায়রি।

কোভিদ-ত্রেকরনা হায়রি মদুদি ইন্দিয়াগী ইমুং ১০গী মনুংদা য়ামদ্রবদা ইমুং অমগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈ অমসুং ইমুং ২০ খূদিংগী হেক লৈমিন্নবশিং নৎত্রগা অনকপা মরী মতাদা লায়না অসিনা থোকহনবা মীশি থেংনরি।

ত্রেকর অসিনা মশা-মঊ ফরবা মীওইশিংগী মরক্তা কোভিদনা শিহনবগী থৌদোক্কী চাং ৱাংনা রিপোর্ট তৌরি। সর্ভে অসিগী মতুং ইন্না, চাদা ৫৮.৯না কোভিদনা শিহনখিবা মীওই অমা লায়না অসি নাদ্রিঙৈদা হকচাংগী অশোয়বা অমত্তা উত্তনা মশা মঊ ফনা লৈখি হায়না ফোঙদোক্লরকখি।

সর্ভে অসিগী মতুং ইন্না লায়না অসিনা নহা ওইরিবশিংগী মরক্তনা হেন্না মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহল্লি। লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা শিহনবশিংগী মনুংদা চাদা ৩৬.২ চহী ৪৫গী মখাদা লৈবশিংদা থোকই। মীশিং অপূম্বগী চাদা ১৪.৯ চহী ২৬ অমসুং ৩৫গী মরক্তা থোক্লি অমসুং চাদা ১৯.১না চহী ৩৬ অমসুং ৪৫গী মরক্তা থোক্লি।

ইমুংগী মীওই অমা নারক্কদ্রা নৎত্রগা ত্রিটমেন্ট ফংলোইদ্রা হায়বগী মতাংদা পাক-শন্না কিনবা লৈ। লায়না অসিগী থাঙ্গৈশেংবা কেস মশিং হন্থদ্রিফাওবা অমসুং মীয়াম্না খুদোংচাদবা কা-হেন্না মায়োক্লবা তৌদনা লায়েংবা অমসুং ওক্সিজেন ফংবা হৌদ্রিফাওবদি অকিবা অসি লৈখিগনি।

ত্রেকর অসি মহৌশানা ওফিসল ত্রেন্দলাইনদগী চয়োল অমদগী অনী ফাওবা হানগনি। ফিভম অসি মথংগী চয়োল ৬তগী ৮ ফাওবদি ওফিসল ত্রেন্দলাইনদা উদবা য়াই।

ইন্দিয়াদা অমুক হন্না কোরোনানা খ্বাইদগী মরু ওইবা ইস্যু ওইরে অমসুং ইমুং অমদা থেংনবা কনফর্ম তৌবা কেস মশিং অমদি লায়না অসিনা শিহনবা মশিং গভর্ণমেন্টকী ওফিসল মশিংদগী য়াম্না হেল্লি হায়বসি ষ্টদি অসিনা উৎলি।

মশা মশানা আই এল আই (ইনফ্লুয়েঞ্জা লাইক ইলনেস) ৯ লায়ওংশিং ফোঙদোক্লবগা মশানা কোভিদ পোজিটিভ কেস রিপোর্ট তৌজবগা মান্নে হায়না লৌবা য়াই। অসুম্না, মহৌশানা কেস খরদমক কোভিদ ইনফেক্সন খঙদোক্লবা টেষ্ট তৌনৈ। ফিভম অসি লৈবনা টেষ্ট তৌবগী চাং নেম্বা অসি পোজিটিভ কেস মশিং নেম্বগা মরী লৈনবা য়াই।

কোভিদ-১৯ ত্রেকরগী সর্ভে অসি ২০২১গী জান্যুৱারী ১৪গী মে ২৭ ফাওবদা লোক সভা সেগমেন্ট ৫৪২ মক্তা চথখিবনি। সর্ভে অসি মীওই ৪৫,৬৮৫দা পাঙথোকখিবনি।

রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৫৬.৯দা মখোয় মশা নৎত্রগা ইমুংগী মীওই অমা কোরোনাভাইরস পল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈখি।

ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা লাইচৎকী ক্রাইসিস অসি নীংথিনা হেন্দল তৌখিব্রা হায়বগী মতাংদা খেন্নবা পাউখুমশিং লৈখি। চাদা ৪৮.৭না ক্রাইসিস অসি গভর্ণমেন্টনা নীংথিনা হেন্দল তৌই হায়খি অমসুং চাদা ৪৮.৬না নীংথিনা হেন্দল তৌদে হায়খি। চাদা ৪৬.৮না কোরোনাভাইরসকী মতাংদা হেঞ্জিন্না কিমল্লি হায়খি।

আই সী য়ু, ভেন্টিলেটর, ওক্সিজেন সপ্লায়গী মতাংদা চাদা ৫১.৭না অসিগুম্বা আইটেমশিং মথৌ তাবগা লোয়ননা লাইনা ফংবা ঙমখি হায়খি। রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৩১.৭না ৱানা হোৎনরবা মতুং আইটেমশিং অসি ফংবা ঙমখি হায়খি অমসুং চাদা ৮.৪না কন্না হোৎনরবসু পোৎশকশিং অসি ফংবা ঙমখিদে হায়খি।

# ইন্দিয়ন চাদা ৩৭ কোভিদ ক্রাইসিস মরক্তা তলব হন্থনা ফংলি

ন্যু দেল্লী, মে ৩০ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ মরকসিদা তলব ককথখিবদগী ইন্দিয়ন চাদা ৩৭.৬কী ইনকম হন্থরে হায়বসি সর্ভে অমদগী খঙলে।

তলব ককথবদগী ইনকম হন্থনা ফংলে হায়রিবা মীওই গ্রুপ অসিনা মখোয় রেগ্যুলেসন অমসুং সেফটিগী থৌরাংশিংগী মখাদা থবক শুরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সর্ভে অদুদা শরুক য়াখিবা মী ৬,৮৭২গী চাদা ২১.১না মখোয়গী তলব নোর্মেল মতমদা ফংখিবগা মান্ননা ফংলি। তৌইগুম্বসুং মখোয় রেগ্যুলেসনশিং অমসুং সেফটিগী থৌরাংশিংগী মখাদা থবক তৌরি হায়খি।

অদুম ওইনমক রেস্পোন্দেন্ট চাদা ১০.৯না পেন্দমিক মনুংদা মখোয় থবক শু বা লেপ্লে নৎত্রগা থবক তৎলে হায়না খুমখি।

সর্ভে তৌখিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ৫.৯না মখোয় তলব হন্থরগা য়ূমদগী থবক তৌরি অমসুং মখোয়গী ইনকম হন্থরে হায়খি। চাদা ৪না মখোয় মান্নবা ইনকম অমসুং মান্নবা তলবতা মখা তানা য়ূমদগী থবক তৌই হায়না ফোঙদোকখি।

মীওই চাদা ৩.৭না মখোয় রেগ্যুলেসনশিং অমসুং সেফটিগী থৌরাংশিংগী মখাদা থবক তৌরি। তৌইগুম্বসুং ইনকম নৎত্রগা তলব ফংদে হায়খি। অদুম ওইনমকা চাদা ১.৬না মখোয়না য়ূমদা শুই, তলবতি হন্থনা ফংই। ইন্দিয়াদা থংন-থংননা নুমিৎ হুম্নি শুবা ওইনা কোভিদ-১৯ কেস লাখ ২ য়ৌদনা থেংনখি। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা অনৌবা কেস ১,৬৫,৫৫৩ থেংনখি।

# পোকপদা কোভিদ পোজিটিভ ওইখিবা অঙাং হৌজিক নেগেটিভ ওইরে

ভরানসি, মে ৩০ (এজেন্সী):
থা অসিগী ২৬তা হেক পোকপগা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ পোজিটিভ ওইখিবা অঙাং নুপী অমা হৌজিক টেষ্ট তৌবদা কোভিদ নেগেটিভ ওইরে।

অঙাং অদু নেগেটিভ ওইবা টেষ্ট রিপোর্ট অদু য়ৌরক্লিঙৈদা হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখি।

হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা মদু তাঙনা থেংনবা কেস অমনি হায়না শেংদোকপগা লোয়ননা মমা অমসুং অঙাং অনীমক মশা-মঊ ফনা লৈবদগী দিসচার্জ তৌখিবনি হায়খি।

বনারস হিন্দু য়ুনিভর্সিটিগী সার সুন্দরলাল হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবা মমা অদু হৌখিবা চয়োলদা সিজরিয়ন দেলিভরিগী পাম্বৈনা অঙাং অদু উনদ্রিঙৈগী মমাঙদা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি।

মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর কে কে গুপ্তনা ফোঙদো-রকখিবদা, আর টি-পি সী আর টেষ্ট মেথদ অসিগী লিমিটেসন লৈবনা অমুক হন্না কোভিদ টেষ্ট তৌনবা সেম্পলশিং লেবতা থাখ্রে।

আর টি-পি সী আরগী অনীশুবা রিপোর্টশিংদা মমা অমসুং অঙাং অনীমক কোভিদ নেগেটিভ ওইখি। দা. গুপ্তগী মতুং ইন্না, আর টি-পি সী আরগী সেন্সিটিভিটি অসি চাদা ৭০নি, অদুনা রিজল্ট লানবা য়াবগী চান্স চাদা ৩০ লৈ। অসিগুম্বা কেসশিংদা ইনফেক্সন কনফর্ম তৌনবা টেষ্ট হঞ্জিন্না পাঙথোকই। প্রোসেস অসিমক কেস অসিদসু চৎখে।

# দেল্লীদা ঙসিদগী লোকদাওন কোমথোকপা হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, মে ৩০ (এজেন্সী):
দেল্লী গভর্ণমেন্টনা মে ৩১ নিংথৌকাবা নুমিত্তগী অনলোক্কী প্রোসেস হৌরগনি। অমরোমদা দেল্লী গভর্ণমেন্টনা জুন ৭কী অয়ূক পূং ৫ ফাওবা লোকদাওন শাংদোকখ্রে।




কন্সট্রক্সন ৱার্ক অমসুং ফেক্টরিশিং য়াওনা দেল্লীদা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী এক্টিভিটি অনী মথৌ তৌবা হৌরগনি।

ইসেন্সিএল সর্ভিসশিং অমসুং হান্না কোমথোকখিবা অতৈ সর্ভিসশিং নত্তনা অতৈ থবক থৌরমশিং লোকদাওনগী অথিংবশিং লৈগনি। এক্টিভিটিশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা সিটি অসিগী মনুংদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা মখা তানা ঈ-পাস মথৌ তাখিগনি। হেল্থ অমসুং অতৈ ইসেন্সিএল সর্ভিসশিং ঈ-পাস চঙদনা মখা তানা ফঙ্কসন তৌগনি।

নেসনল কেপিটেলদা হৌজিক চৎথোক-চৎশিন তৌবদা ঈ-পাস মথৌ তাগদবশিং খঙহঞ্জরি। অনলোক ২০২১দা য়াওদবা থবক থৌরমশিংগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ঈ-পাস মথৌ তাগনি। বোর্দর লাল্লগা সিটি অসিদা চঙলকপদসু পাস অসি চঙগনি।

নোইদা, ঘাজিয়াবাদ, ফরিদবাদ অমসুং এন সী আরগী অতৈ রিজনশিংদগী দেল্লীদা লাকপশিং ঈ-পাস মথৌ তাই।

প্রাইভেট কম্পনিশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিংসু সিটি অসিদা থল্লম্বা চৎথোক-চৎশিনগী অথিংবশিং কোমথোকপা য়ানবা ঈ-পাস শীজিন্নগদবনি।

লোকদাওন মনুংদা দেল্লীদা চৎথোক-চৎশিন য়ানবা ঈ-পাস এপ্লায় তৌনবা দেল্লী গভর্ণমেন্টকী ওফিসল ৱেবসাইটতা ভিজিট তৌগদবনি।

গভর্ণমেন্ট ষ্টাফ, হেল্থক্যের ৱর্করশিং অমসুং মিদিয়াগী মীওইশিং কোমথোকপদা নত্তনা গ্রোসরি ষ্টোরশিংদা থবক তৌরিবশিং, ফূদ দেলিভরি, রেষ্টোরেন্ট ষ্টাফ (দেলিভরি), কুরিয়র সর্ভিসশিং-নচিংবদা থবক তৌরিবা মীওইশিংদসু স্পেসল ঈ-পাসশিং ইস্যু তৌখি।

মমাঙদা দিষ্ট্রিক্ট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (দি দি এম এ)গী চ্যেরমেনসু ওইরিবা দেল্লীগী লেফ্টনেন্ট গভর্ণর অনিল বাইজলগা ৱারী শানরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা লোকদাওন লৌথোক্লবগী প্রোসেস হৌবা মতম ওইরে হায়খিবনি। দেল্লীগী মীয়াম কোভিদ পেন্দমিক অমসুং থা অমা চুপ্পা থমখিবা লোকদাওননা মরম ওইদুনা অদুক্কী মতিক অৱাবা নংলে হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

দেল্লীদা নুমিৎ খূদিংগী কোভিদ কেস অমসুং পোজিটিভ রেট লেপ্পনা হন্থরকপগা লোয়ননা মীয়াম্না শেল-থুমগী থবক থৌরমশিংদসু মায় ওনশিনবা হৌহন্নবা লোকদাওন কোমথোকপা হৌবগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

# ইন্দিয়ন অয়াম্বা ফিভর ৱাংলকপা চোকথরকপা, লোক কংখু খুবদগী কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনৈ

ন্যু দেল্লী, মে ৩০ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ন অয়াম্বনা হকচাং শাগৎলকপা, চোকথরকপা, লোক কংখু খুরকপা, লোক থুংবা, নাতোন ফুল্লকপা অমসুং নাতোন্দা (নপ) মহি চেল্লকপগুমবা লাইওংশিং অসিনা মখোয়বু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌহল্লি হায়না ফোঙদোক্লরি।

আই এ এন এস- সিভোটর কোভিদ ত্রেকরগী সর্ভেনা হায়রি মদুদি ইন্দিয়ন চাদা ৮৫দা হাই ফিভর লাকখি। চাদা ৬.৫না লোক কংখু খুখি, চাদা ৬.২না মশাদা চোকথবা ফাওখি, চাদা ৫না হকচাং চিক-নাবা তৌখি অমসুং চাদা ৪.৯না মখোয় লোক থুংবা, নাতোন ফূনবা অমসুং নাতোন মহি চেনবা তৌই হায়খি।

পূন্না ইন্দিয়ন চাদা ৩.৪না মখোয় শ্বর হোনবা নুংঙাইখিদে হায়খি অমসুং চাদা ৩.৫না খৌনাও নাই হায়না কমপ্লেন তৌবা লৈখি।

সর্ভে অসিদা শরুক য়াখিবা মীওই অয়াম্বনা মখোয়গী য়ূমলোন্নবশিংসু লাইওংশিং অসি লৈ হায়খি। পূন্না ইন্দিয়ন চাদা ৮.৪না মখোয়গী য়ূমলোন্নবশিং ফ্লুগুম্বগী লাইওংশিং লৈ হায়খি। চাদা ৩.৪না লাইওং অসি মখোয়গী য়ূমদসু লৈ হায়বা য়াজখি অমসুং চাদা ২.৮না মখোয়সু মান্নবা ইস্যুশিং মায়োক্লে হায়খি।

হৌখিবা চয়োল অমা অসিদা চথখিবা সর্ভেদা পূন্না লৈবাক অসিগী মীওই ৬.৮৭২দা ৱাহংশিং অসি হংখি।

ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ কন্না মায়োক্লরিঙৈদা সর্ভে অসি পাঙথোক্লিবনিনা হৌজিক ফাওবদা পূন্না লৈবাক অসিগী মীওই ২.৭৮,৯৪,৮০০ কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লৈরে। লৈবাক অসিগী কোভিদ এক্টিভ কেস মশিং ২১,১৪,৫০৮ শুরে অমসুং হৌজিক ফাওবদা লাইচৎ অসিদা লৈবাক অসিগী মীওই পূন্না ৩,২৫,৯৭২ লৈখিদ্রে।

শাথিরবা লায়না অসি শন্দোরকপা লাকশিন্নবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা লাইহৌ হৌবা, খৌনাও নাবা, হকচাং চীকপা-নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, নাতোন মহি চেনবা, নাতোন ফূনবা নৎত্রগা ফ্লুগা মান্নবা লাইওংশিং থেংনরবদি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা পাউতাক পীবগা লোয়ননা য়ারিবমখৈ সেল্ফ আইসোলেসন তৌনবা খঙহনখি।

ইমুংগী রসন, হীদাক লাংথক মতম কয়াম চৎখিগনি নৎত্রগা ইমুংগী রসন নৎত্রগা হীদাক্কী শেল নুমিৎ কয়ানি চৎখিগনি হায়না হংবদা চাদা ২৪না থা অমা চৎকনি হায়না খুমখি। চাদা ২২.৪না চয়োল অমা চৎকনি হায়খি অমসুং চাদা ১৫.৭না চয়োল অমা ফানা চৎলরোই হায়খি।

# মীওই চাদা ১৯না ভেক্সিন কাপ্পা পামদে

ন্যু দেল্লী, মে ৩০ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী শাথিরবা অনীশুবা ৱেভ মায়োক্লরিঙৈ অমসুং গভর্ণমেন্টনা মীশিং য়াম্না ভেক্সিন কাপথোক্লবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরিঙৈ মরকসিদা পোল অমদা শরুক য়াখিবা অপূনবা মীশিংগী চাদা ১৯ হেনবনা মখোয় কোভিদ ইনফেক্সনগী রিস্ক লৈ হায়বগী অকিবা লৈতবদা নত্তনা ভেক্সিন কাপ্পসু পামদে হায়খ্রে।

চহী অসিগী জন্যুৱারী ১দগী মে ২৭ ফাওবা কন্দক্ট তৌখিবা কোভিদ সর্ভে অদুদা মীওই চাদা ৪.৫না অথুবা মতমদা ইফেক্টিভ ওইবা অতৈ ত্রিটমেন্টশিং লৈরগনি হায়না থাজবদগী হৌজিক ভেক্সিন কাপ্পিংদে হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংখি।

সর্ভে অদুদা শরুক য়াখিবা মীওই ৫৬,৬৮৫গী মনুংদা চাদা ১৯না মখোয় ভেক্সিন কাপ্পা মতমদা কোভিদ লায়নাগী মায়োক্তা প্রোটেক্সন ফংবগী মহুত্তা লায়না অসি নাহল্লকপা য়াই হায়বগী অকিবা লৈবদগী মখোয় ভেক্সিন কাপ্পা পামদে হায়খি।

পার্টিসিপেন্ট চাদা ৪.৫না মখোয়না হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিনগী মরমদা খঙবা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ভেক্সিন কাপ্পিংদ্রে হায়না খুমখি।

YAIPHA MARUP THRIFT & CREDIT CO-OPERATIVE SOCIETY LTD

অৱাবা ফোঙদোকপা




Yaipha Marup Thrift & Credit Co-operative Society Ltd. কী মেম্বর ওইরম্বা শ্রী ওইনাম জয়চন্দ্র সিংহনা ইখঙ খঙহৌদনা অমসুং য়াম্না থাজদনা হৌখিবা তাং ২৮/০৫/২০২১ ইরাই নুমীৎতা লৈখিদ্রে। নুমীৎ অসিমক্কী অয়ূক পূং ৮ তাবা মতমদা সোসাইটি অসিগী Board of Director শিংগী মীফম ফমদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায় মীরেলনা তাইবংমপূগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্লা লৈখিনবগীদমক মিনিট ২ (অনী) লেপখৎতুনা থৌনিজখি। লোয়ননা লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াবা হায়না ৱারেপ লৌখি।

Sd/- **Manager**
Yaipha Marup Thrift & Credit
Co-operative Society Ltd.

HL-P/9791/31

[illegible]/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি


Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 57,10,000+20,295 | 53,40,000+31,964 | 94,030+832 |
| Karnataka | 25,70,000+20,628 | 21,90,000+42,443 | 28,298+492 |
| Kerala | 24,90,000+23,513 | 22,50,000+28,100 | 8,455+198 |
| Tamil Nadu | 20,40,000+30,016 | 17,10,000+31,759 | 23,261+486 |
| Uttar Pradesh | 16,90,000+2,014 | 16,20,000+7,902 | 20,208+155 |
| Andhra Pradesh | 16,70,000+13,756 | 14,90,000+20,392 | 10,738+104 |
| Delhi | 14,20,000+956 | 13,90,000+2,380 | 24,073+122 |
| West Bengal | 13,50,000+11,514 | 12,40,000+18,774 | 15,268+148 |
| Chhattisgarh | 9,68,000+2,437 | 9,12,000+6,391 | 12,979+64 |
| Rajasthan | 9,36,000+2,314 | 8,71,000+8,108 | 8,251+70 |
| Gujarat | 8,06,000+2,230 | 7,57,000+7,109 | 9,790+29 |
| Madhya Pradesh | 7,77,000+1,640 | 7,38,000+4,995 | 7,959+68 |
| Haryana | 7,54,000+1,868 | 7,23,000+3,752 | 8,132+97 |
| Odisha | 7,47,000+7,148 | 6,59,000+23,467 | 2,686+35 |
| Bihar | 7,04,000+1,491 | 6,78,000+5,168 | 5,052+48 |
| Telangana | 5,74,000+2,982 | 5,34,000+3,837 | 3,247+21 |
| Punjab | 5,63,000+3,036 | 5,06,000+5,698 | 14,305+125 |
| Assam | 4,04,000+5,613 | 3,44,000+3,905 | 3,245+77 |
| Jharkhand | 3,36,000+823 | 3,20,000+1,647 | 4,958+13 |
| Uttarakhand | 3,27,000+1,687 | 2,90,000+4,472 | 6,360+99 |
| Jammu and Kashmir | 2,87,000+2,253 | 2,44,000+4,334 | 3,841+46 |
| Himachal Pradesh | 1,89,000+1,262 | 1,69,000+2,738 | 3,086+30 |
| Goa | 1,54,000+963 | 1,37,000+1,206 | 2,597+27 |
| Puducherry | 1,03,000+996 | 88,246+1,718 | 1,497+21 |
| Chandigarh | 59,740+163 | 56,534+450 | 740+5 |
| Chandigarh | 59,740+163 | 56,534+450 | 740+5 |
| Tripura | 50,739+854 | 43,190+722 | 507+9 |
| **Manipur** | **48,850+1,007** | **40,044+564** | **776+15** |
| Meghalaya | 34,448+613 | 26,156+890 | 551+7 |
| Arunachal Pradesh | 26,778+461 | 22,746+394 | 114+3 |
| Nagaland | 21,371+156 | 16,039+157 | 350+7 |
| Ladakh | 18,448+138 | 16,658+141 | 187 |
| Sikkim | 14,907+273 | 10,829+232 | 247+4 |
| Mizoram | 11,988+329 | 8,863+220 | 36+1 |
| Lakshadweep | 7,631+89 | 5,622+218 | 31+2 |
| Andaman and Nicobar Islands | 6,964+28 | 6,660+30 | 113 |

# জেলনা সেফ ওই খনবদগী কনভিক্টশিং পেরোল লৌ হায়বা য়াখিদ্রে



লক্ষ্ণৌ, মে ৩০ (এজেন্সী):
উত্তর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা জেলশিংদা লৈরিবা কনভিক্ট ২১ রোম জেল মনুংদনা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইদে খনবদগী পেরোলদা জেলদগী থোকপগী ৱাফম য়াখিদ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা য়ু পিগী দি জি জেলস অনন্দ কুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা ষ্টেট অসিগী জেল মাপলদা লৈরিবা কনভিক্ট ২১ মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কোভিদকী অকিবা লৈ হায়রদুনা পেরোল লৌ হায়বা য়াদ্রে। ষ্টেট অসিগী জেলশিংদা পীরিবা লায়েংবগী খুদোংচাবা অসিনা মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ফংলিবা খুদোংচাবদগী হেল্লি হায়না মখোয়না খল্লি।

জেলশিংদা ঐখোয়না কোভিদ প্রোটোকোল মপূং ফানা ঙাকই অমসুং প্রিজনর খূদিংমক নীংথিনা য়েংশিনবী হায়না কুমারনা মখা তাখি।

কোভিদ লাইচৎকী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা ষ্টেট অসিগী মী কা হেন্না চিল্লবা জেলশিং কোমহন্নবা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা দিরেক্টিভকী মতুং থা অসিগী অঙনবদা য়ু পি প্রিজন দিপার্টমেন্টনা অন্দরত্রাইএলশিং অমসুং কনভিক্টশিং বেল অমসুং পেরোলদা থাদোকপা হৌখি।

য়ু পিগী জেলশিংনা হৌজিক ফাওবদা সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্টিভশিং কমপ্লাই তৌদুনা অন্দরত্রাইএল অমসুং কনভিক্ট ১০,১২৩ বেল অমসুং পেরোলদা থাদোকখ্রে।

ইন্টরিম বেলশিংদা অন্দরত্রাইএল ৮৪৬৩ থাদোকখি অমসুং কনভিক্ট ১,৬৬০দা নুমিৎ ৬০নিগী পেরোল পীখি। ঘাজিয়াবাদ দিষ্ট্রিক্ট জেলদগী খ্বাইদগী য়াম্বা মশিং ওইনা পূন্না অন্দরত্রাইএল ৭০৩ থাদোকখ্রে অমসুং কনভিক্ট মশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা কানপুর দিষ্ট্রিক্টকী কনভিক্ট ৭৮ পেরোল পীখ্রে।